ইম্ফাল-সহর

বসতা মী ইন্নরি নিঙ্গি, ঙাইখোঙাংখো ;
স্কুটরশু থোরি-গাড়ীশু চেক্সি-পৈসাশু নিঙ্গি
চাক্কা-লেক্কত্রে— সিনেমারি টিকেৎ কংনত্রে।
পুলিসশা নঙ্গী তাক্সি-রিক্সাদগী সেল চারি
গলিদগী থোক্লকপা চিন্থিবী হয়িংনা হাইরি।
সাইকল তোইনা মাংঙি-ফুরিংথাও তোইনা চঙী
ঙারোনকমগী হয়িং কোংয়াবী তোইনা ২ পাই
তারি "ইম্ফাল সহর" গী মথল মথেল রাঙী
কায়োনবী পেন্দোং থিরি-থনাকা সঙু ডরি
অসি ইম্ফাল সহরদনি-ইম্ফাল সহরদা।

শশীকুমার

ইম্ফাল সহর



শ্রীলাইশ্রম শশীকুমার সিংহ

ফোঙজবী :— কুমারী বীমলা দেবী।

পুথোকপা :— অহানবা থুংনম ডিসেম্বর ১৯৭৫ ।
কোপি মসিং ৫৫০।

মখুম পুথোকপা :— ইবোয়াইমা।

ফংফম :— অইবা ; কংলা বুক হাওস, লক্ষ্মী বাজার, ইম্ফাল
অমসুং অতৈ লাইরিক য়োনফমসিং।

[illegible] :— লুপা অনি মথাইতনি।

মথংগী লৈজরে শশীকুমারগা

(অনিশুবা উপন্যাস)

"অমুক্তা উন্নসি"

য়াম্না থুনা পুথোকচরগান।

[illegible] কো-ওপারেটিভ প্রেস।

সৈরাংবগী কলমদগী

"থোইহি চেন্দে ঐগী লৈতোন্দা
চীরোন তৌনবা ঙসিগী সমাজদা
পাঙ্গল লৈতে ঐগী ইসাদা
ইশুনবু থাগৎচননবা মীমাং ফাওনা .
ইনাক খুন্দে. ঐগী ইরোলসু
মুংসিবা রাহৈ ফোংদোক্নবা,
মীওইবগী লাইবক থিবনা
খংবীদে কনানা ফোংদোক্তবদি" ।।

"ইম্ফাল সহর" হাইবা ঐহাক্কী সৈরেং লাইরিক আপ [illegible] কয়া খুৎইদা লৈজরুরে। অদুবু ঙসি বসন্ত ঋতুনা লাকপগা লোইনন। ঐগী "ইম্ফাল সহর" সু মাগী মতম য়োরদুনা মৈতৈ সাহিত্যগী মরক্তা তিন-হনজনিংদুনা ঙসিদি পুথোকচরে, সৈরেং লাইরিক অসিবু পুথোক্নবা হোৎনবদা ঐগী থৌনা হাপ্পীথিবা ঐগী ওজা "জয়কুমার" (মুহেন্দ্রা) অমদি ইবোয়াইমা, অসিদা নত্তনা য়াম্না থুনা পুথোক্নবা হোৎনবদা সরুক য়াবী-থিবা প্রেসকী তাদা ইরাবোৎ অমসুং ব্রজমনি লোইনন। মরুপ মপাং কয়াগী সিংঙমদ্রবা লমন পুন্সিদা তোনসিনজরে।

ঙসিগী মীনোক চাওরবা সমাজদা নোক্নবীনবা কয়ানি, করেম্নবীনবা কোঙ্গাইনি, অদুবু ঐগীসু অসোইবা কয়া য়াওদবা নত্তে। মকুওইনা বনানগী অসোইবা কয়া য়াওদবসু নত্তে। মদুগী দমক্তা পাবীরাবসিংগী মফমদা ঐগী ইরাল ঙাকপীনবা নিংসিংজরি।

তাং ২১।১২।৭৫ ইং — সৈরাংবা

"কেকু"

কোইনা য়েংই কোইথি-থি
উনা-উনা উখিদে,
থিনা-থিনা ফংঙমদে
তানা-তানা তাখিদে
লোম্না-লোম্না মাঙখিদো ;
খংনা-খংনা খংখিদে
পাম্না-পাম্না পাইথোকখি
ম্বাই মাংই ইমাংদ

কেকু কেকু কেকু ।

"সেন্দ্রাং"

ফৌ সংবাই 'মগী রানী, সেন্দ্রাং অমনা ফৌ খুল্লী ;
সেন্দ্রাংনবু করি তৌনী খল্লী, সুগৎতগী সেন্দ্রাং অমতনি।
তাব য়ারে খংবদগী, কুইদে মঙা তরা, কুন
সঙ্গু-সঙ্গু ফ্রং-ফ্রং পাইরকই। অত্তম্বনা লাওই খর কিরম্মী
খরতা ঙাইরিডঙে, মঙা তরা সুরকপদি
লাওবা ঙাংব চৈবগী নাচুংবীদ্রে, ইকাইবা খঙলক্কে ;
সঙ্গু-সঙ্গু চাকতারৈ, য়েংলুবদা ফৌ-সংবাই
রাই-ফৌহাম ঙাক্পা, য়েংলুবদা মরু অমতা য়াওরমদ্রে,
রাইগা-রাই, ফৌহামগী ফৌহাম ঙাক্ক
সেন্দ্রাং! হৈ সেন্দ্রাং। হৈ সেন্দ্রাং!

"লাইরবগী ইমুং"

লাইরবগী ইমুংদা সান্তি লৈতে
রাখল পোখাদে, হিংনবগী হিংনবগাদমক্ক;
চাবা ফংনদ্রগা চৈনৈ অথিবা রাহৈনা অমগা অমগা
খৎনৈ ফুনৈ ওনসিন্নচুনা, লাওনৈ
মমা-মচা, মচিন-মনাও, মবুং-মোপরা, সাগৈ নাতৈ ;
করি খল্লী-চাননবগীদমক। চাননবগীদমক্কা!

উররোই

মুংসি মীনোক উররোই
পাম্মু খোম্থাং য়ৈররোই
বাঁসী খোঞ্জেল তাররোই,
অমুক হন্ন লাক্লরোই
মুৎথ্রবস্থ মাগী শক্তমসে
শিন্নররোই মিংকী পীরাংসে,
য়েংলরোই মানা ইচেল্লসে
অরা মৈচাক থাংলিসে
থম্মোয়দ খোম্থাং য়ৈরক্লে
শেংদ খোঞ্জেল তারক্লে
কাইন ইথিল পীরক্লে
পুল্লি ইচেল লোইরক্লে
উররোই তাররোই মপোকসিমগী,
য়েংলরোই লাক্লরোই পুল্লিসিমগী,
মুৎথ্রনি কাওথ্রনি মপোকসিমগী
উররোই উররোই পুল্লিসিমগী
উররোই তাররোই উররোই

তা ১। ৯। ৭৫

লাইরব

লাইরব হাইবসি করিনো ?
চান ফংদববু লাইরব্রা ?
লৈতববু লাইরব্রা, লাইরব্রা ?
লাইন ফংববু লাইরব্রা ?

লাইন ফংবসি লাইরবনি ;
মহুননি লাইরবন য়াম্লিব ।

চেং সেরদ লুপা অনিমথাই,
লুপগী অনিমথাই-অনিমথাই ;
নোংমগী ঙুৎশুমন লুপা মরি,
ছুরিবন ইতোমত—ইতোমত,

চারিবন মীকোক তরেৎ ;
লাইন ফংদ্রা লাইরব ?

সেৎনবগী কদাইদ,
চাননবগী কদোমদগী কদোমদগী ;
স্নুরিবন ইতোমত ইতোমত,
চাবীনবন কোকথোং অম

ঐন সুবীব মহাজনগী,
ইরু ইয়াং তেকপদ ।

ঐনা ঙমদব মুমিৎত
ঐথোই লোইন ব্রত ।
লাইন ফংদ্রা লাইরব,
লাইন ফংদ্রা লাইরব ?

তাং ২১ । ৯ । ৭৫

ইম্ফাল

লৈরে মখল মখল,
উরে মখল মখল ;
অরাব-লাইরব,
চাক্লিবা ইনাকখুনব,
পুন্নমক লৈরে উরে ।
য়াইফকোনগী নিল খোংব,
জীব কার ফুরা দলান
মখোল মখোলগী মুম ;
মচু মচুগী ফিজং
চানিংব চা, সেংনিংবা সেং,
য়েংনিংব য়েং, কোইনিংবা কোই ;
মোনতেক মোন্দুম মথক্ত
য়াওরবি য়াওরবি য়াওরবি
ফুংঙাইবগী মথক্ত ফুংঙাইব ;
রেডিও তার,
হিসাপ পারি ফংলকপ
নোংমগী সেন্দোং,
থিরৌ লিসিং লখা
জমা তৌরি বাকসিদা

মচিন মনাও মমা মচা
নোক খেনা হয়াও ভয়াম্না
য়া য়া য়া নোকলি।

অমম্লোমদ—

লাইয়্রকোনগী মীকপখোল
সেগাইয়ব য়াগী খাংপোক্তগী
চাম্নব ফংদ্রেহনা য়্যাওয়রি
পুক পাইহনা ওল্লি
চৈরি ঈশ্বর পমহনা;
চান্নিংব কয়া চাওমদে
সেংনিংবে কয়া সেংওমদে,
সেংনবগীদমক য়াম্নী
চামবগীদমক্ত য়ারী,
ত্তুমিং কাং ময়ক্ত
খংনরি ওনসিম্নহনা অমগ অমগ
মমা মচা মচিন মনাও;
ঙুংসিনদ্রে-চাব ফংনজ্রবদ
নোংমগী চয়া তল'পাক অম
মতুক্কাওব ফংনদ্রহনা খংনরি;
পুম্নমক ঙুংসিনদ্রে
চাবা ফংনজ্রবদ
হিংনবা থিম্নরী হিংনব থিনরী।

তাং ২০।৯।৭৫

সকলমদবা য়াই ঐগী ঈসৈ

সকলমগদব য়াই ঐগী ঈসৈ
নিংব কাঙ্গৈরমত্রব ঐগী পুন্সি,
থেংনরমত্রব ঐগী পুন্সিদ মাবু (নংবু)
ওইরমলোই ডসিগী ঐগী পুন্সি,
অরাব মুংসি ঈচেন্দ লুপ্তনা
রারিবসে ঐগী পুন্সি ঈচেন্দ;
ইরমদব য়াই ঐগী সৈরেং,
সকলমদব য়াই ঐগী ঈসৈ।
নংন ঐগী পুন্সিবু নৌহন্নি
থম্মোয় শোক্ত মুংসি অহোইনহল্লি
পুন্সি ইপাক্ত নংগীদমক হিহোল্লবনি
থেংনরে মথক মথেলগী সৈরেং,
ইরুরে রারেং শৈরেং কয়া;
নংনা ঐগী পুন্সিবু নৌহল্লে
কাওরুরে দংক্ষাংনরব মীওইবগী পুন্সিনি

নখোইস্ম তৌবরা

নখোইস্ম তৌবরা ?
সুংসিব ইসৈ তারগ
থম্মোয় মরাং মরাংই,
মীগী মীকপ তারগা
রাথমসি মসেল মরাংডি,
মুপীগী খোজেল তারগ
পুক্কিং ইনৌ নৌথোকই
মীগা 'রাবা উরগা
ঐ থম্মোই লৈঙমদে,
মীগী সুংডাইব উরগ
ঐগী থম্মোয় নিংঙমদে।
নখোইস্ম তৌবরা ?
কজবা উরুবগা পাম্নকই,
অফবা থেংনবগ কন্নকই ;
নখোইস্ম তৌবরা ?

তাং ৪ । ১০ । ৭৫

লাইসং

কদাইদনো-কদাইদনো হংলি,
করিনো-করিনো খেনরিব ;
ঐস্থু-মীস্থু-মাস্থু !
অচম্ব অসেংব ঙাংলুরবদি
সাওনৈ-হাংনৈ-চৈনৈ,
খুহুম চনখ্রে খুহুম চনখ্রে
অতোপ-অতোপ্পা, কয়া কয়ান ,
কনানো অতোপ্পা করিনো অতোপ্পা ।
ঙাংলুব খুদিং মিসাগী মখাদ,
ফোংদোকলুব কয়া দি আই আরগী মিংদ ;
ঐখোইবু লালহৌবা, ঐখোইবু হিংচাবা
খাঙমদরে মখোইগী মতৌসে !
উবদি উরবনিনা, খংবদি খংলবনিনা ;
হাইজক্কই-লাওজক্কই-ঐখোইবু জেলদ,
অচুম্বরা, অরানবরা খঙদে ।
ঐখোইগা লাইসংদি কদাই ?
সহরগী চিদাইদা—আঃ চিদাইদ
মখোইগীনা-সহরগী ময়োন্দা-ময়োনমক্কদা
পীকতবনি চাওবনি লাইসংদো চাওবনি ;
পুকচেল ফজেদো ঐখোইদি,

ইচা সুমগে নচা লৌথোকউ ;
সুমখ্রেদো মীচা পোকতো।
থর লৈরগা—
ইচা ভুমখ্রে লাংগন্ন ;
মমৈদা মীতোপকী অঙাং মচানা
য়ুম মৈ থাররে,
অঙাংনবু কৈদৌনী অঙাংনবু ;
মমৈদা লোইনা চাকখ্রে
লাইসংদগী লাইমচা পোকলে
লাই মচান জয় তৌখ্রে জয় তৌখ্রে।

" সহর "

কুইরবগী রারীনী —
চহিচা কয়া কয়া লানখ্রে
ইম্ফাল সহর চাঙখৎলে,
মৈতৈ খুঙ্গং মাংথরে।
ইম্ফাল সহরগী রারীনী—
হৌজিক্কী মপান থোকফম লৈতরে,
মফম খুদিং য়ুমগী য়ুম
নলা কয়া লৈসিল্লকতরে ;

সহর

কদাইদনো কদাইদনো লক্ষী
মীগী মী ভাক্ত-মী ভাক্ত।
কদাইদগী মী? কদাইদগী মী?
মরোল লোনবা—মরোল লোনবা শাক্ত,
লেত্রিন নলা লৈরক্তরে
মফম খুদিং য়ুমগী য়ুম,
দুকান মচা মচা কয়া;
চাবীনবদি য়াম স্থবীনবদি লৈত,
চাব ফংনদ্রে চাব ফংনদ্রে।
সিনেমাদি নোংমতা লেপতে;
কদাইদনো চাক তাংবা,
মফম খুদিং মরোল লোনবনা
অতোনবা কয়া সাক্তনা
"বাবু পৈসা বাবু পৈসা" নিরি;
মোৎলবা মখোইগী ফিজোন
মৈতৈ মচা মীনুংসি চাওবনা,
পীদব ভমদে মতৌদুদা
বাবু সাবা মৈতৈসিং
অত্তব্ হয়েংদি মখোই লোইনা
দুকান্দার, দুকান্দার মহাজন
জীব কার-টাটা-প্লোট;
বাবু সাবা মৈতৈনা
মরোন লোনবগী কুলি, অদাল্লী।
মসি সহরদনি সহরদা,
সহর! সহর! সহর!

" কপকনু নোক্কনু "

করিগী কপলি, করিগী তেংথারি ;
করিগী অরাবা শকলোন উৎলিবা ?
তাইবং মীওইনা পোক্লগা
অরাবনি খল্লিব্রা ?
ব্রহ্মামক্কা পোকওমদ্রবা মপোকপু
করিগী তরাইনা খন্দোকলি ?
পাক চাওরবা সংসার "সিদা
নওগী পেন্নহৈবা পুক্লিংনা
" অপেন্বা " কৌবদো ফংবদ
করিগী অনুতাপ তৌরি জগৎপু !
বুদ্ধ, জৈন, খৃষ্ট, কৃষ্ণ
লাইপোক কয়া কয়ানা
থিহুনা ফংখ্রি তাইবংদা
পুক্লিংগী অপেন্বা হায়বত্থু
নংস্থু থিয়ু নংস্থু হোৎনৌ
জগৎসি নংগীনি
নংগুম্বা ভাক্তগী ;
অহোংবা সক্তমগী লিলাগী ফম্বাক্লিনে
থিয়ুনে অপংবা, হোৎনৌনে অতম্বা
করিগী কপ্লি করিগী তেংথারি ?

করি গী লাউরি পেনদ্রে হাইহুনা ?
করিগী নোক্লি, করিগী হরাওরি,
মীকুপকী ওইবা মুংঙাইবদো ফংলগা
করিগী হরাও মথোই কারিবা ;
মতমগী ইচেন্দা তাওখিগদবা
মপান নাইদ্রবা লন্দু ফংলগা ;
অমর নত্তে হিদেন্দু, অরেপ্পা নত্তে পুক্লিংহু,
হকচাংনা অনাবা লোইরম্বুনা
ফম্ৎ থক্তা তাহুনা হকচাংগী অরাবা ফংবদা
পুক্লিংহু অরাবা নংগনি,
অনা মৈচাক থাংঙমদা
অয়ো নাহেরম্লগা
অসি-লৈবাক্তা তিনবদা অরেম্বনি অসা
অরেম্বনি মীওইবগী দেহে
করিগী নোক্লি করিগী হরাওরি
নহাকসে মীওই 'া
তাইবংসে সিনসংনি
নথৌ তৌ নরৌসিং তাল্লু
কপাকপ নোকনু হরাওগম্মু রাগম্মু ।

" ইম্ফাল সহর "

ইম্ফাল সহর! ফুরা দলান
মথোল মথোল, ফজরে নিংথিরে
খাংপোক সেগাইবা, মোনতেক মোন্দুম
ইনাকখুনবা লাইরব মখল মথেল
মহাজন কুল্লী অর্দালী, লৌমী সিন্নী
অরৈব অয়োনবা অঙাওব ঙাওদব,
অপংব অসিংবা অপিকপা অচৌব
অনানবা অমোৎপা নমথিবা মুংসিবা
মুপী মুপা অহল অঙাং
অরাবা মুংঙাইবা অরৈবা লৈতবা
অন্ধবা অনৈবা উরে মংল মখল
সিকি মখাই নিল্লী লৈরী মুনা
লুপা সনা লিসিং লখা
থৎনরি লাওনরি খন্নরি য়েৎনরি
হাপ্পু হাপ্লোই তারো তারোই
ওইজরে ওইজদে মাংজরে মাংজদে
অংম্বা অরানবা লৈরে মখল মথেল
হাও মৈতৈ পনজাবী মাররারী
মখল মথেল উরে খংলে
খোংতেক মীৎতাং, চাকনী ফীনীবা

নং-মা, ঐখোই মখোই
সা-ঙা ক্রীং ক্রীং
পে পো তীং তাং
গুরুং গুরুং উরে লৈরে
ইম্ফাল সহরদা ইম্ফাল সহরদা।

"পুন্সি খোঙচৎ"

পুন্সি ইচিক লোনখরে
মতম খোংদোই হুনখরে,
চেক্লা মংকোন থেংখরে
কাওরেল ময়ুম চংখরে,
তাম্না তাম্না পাইখরে
উনা উনা উখিদরে
খংনা খংনা চংখরে
তানা তানা তাখিদরে ;
পুন্সি ইচেল লেপখরে
অরা মৈসা লাংহৌরে
কাইনা মৈচাক খাংহৌরে
কপ্না কপ্না লেলহৌরে
থম্মোই লাইমন ওইহৌরে ;
অসাগী ময়োল তেকখরে
মাংলাল তাইবং ওইখরে
পাক্ল ইপাক্ত লম্মুকনরে।

" হিংনবা লম্বী "

পোৎফম, ললোনফম, ললোনবা '
ওইদব ভাকুগী মফম,
অমতা অচুম্বা ভাংনদে :
অ ম্বা ভাংবা য়াদে।
ক'রুগী যাদরিব ললোনফমদা ?
অসেংবনি হিংনবগী লম্বীদ,
অচুম্বা ভাংলুরবদি মাংজরে ;
ওইদবনা হিংনবগী লম্বীনি-লম্বী,
কতরা মীওইবগী পুন্সি ;
অহেনব মমলদো তারবনি, তারবা ;
সেনদোং য়াওদনা করম্না য়োল্লিবা !
সমাজ সেবানি খল্লীবরা ?
নত্তে, নত্ত, হিংনবগী লম্বীনি, নাপী,
ওইদবা পরেংনা অচুম্বা অমা
ভাংনরি অমগা, লাওনরি অমগা ;
ফমত্তুনা মচি অমদা তাই
তাসি ঐথোইস্তু য়েংসি মতৌদো,
লিলাগী মতৌনি কুম্মৈনি ;
পুম্নমক হিংনবগী উপাইনি, লম্বীনি ;
অপংবদগী অসিংবনা লৌহৌরি,

নত্তে অপংব, অসিংবা কনানো ;
অসিংবদগী অসিংবনা লৌহৌরি ;
ঙাংবা হৈবস্থ হিংনবগী লম্বীনি, লম্বী ;
অপংব, ঙাংবা হৈতবস্থ হিংনবগী লম্বীনি, লম্বী।

" থংদবা উদবা "

খংদবা উদবা হাইবসে
মীৎ তাংবগা মান্নৈ,
খংদবদগী হু চাই সিনৈ ;
অখংবনা চাদে হিংই।
ঐগী রারীসে তাবীয়ু,
নম্বুল তুরেলগী রারীনী—
ঐনা অউবা খংজবা ;
তুরেলগী ঈসিং লুই
লুরবা ঈসিংদ ফত্তব কয়া কয়া
কদাইদগী ফত্তবা কদোমদগী অপুম্বা
য়েংমীনকসি ঐখোই চৎমীনকসি ;
কথুলোংগী মনিং,
কৈসামথোং কবুইগী মনিং
মফম কয়া কয়াদা,

ওকথি, য়েনথি, মীথি,
অপুম্ অসা, মহিক মনাই,
পুম্নমক নম্বুল তুরেনগী ইরোংম্লুংদা ;
মহুবু উদ্রবদি কাওই খংদে ।
উদ্রবদি সেংই ফৈ লুই,
নম্বুলগী ঈসিং থক্নরমলোইদ্রা ?
ঈসিং তাংবা মতমদা
য়াম্না হোম্নথি ঈসিংতাংবা মতমদা
মহুবু থক্নরমলোইদ্রা ?
থক্নরবদি মহুবু ফরমগদ্রা ?
উদ্রবদি খংদ্রবদি সেংই হাওই লুই ।
চুমদ্রনে মীওইবসিংগী চৎনবী
উহৌদ্রবদি তৌদে খংদে তৌরবস্তু
ফমজাও পাইবা ইবুংঙোসিংসি
চৎলমলোইদ্রা মত্নগী মনাক্তা,
উরমলোইদ্রা ? কার মন্নুংদগী,
সাহেব সাবা ইবুংঙোখোই
ব্রাহৈ অমগা চুরুপ মচৈ,
থবক অমগা পৈসা,
মসিং কয়ানো পৈসা
খংদে পীনৈ হাইনৈ ।
উদ্রবদি খংদে খংদ্রবদি উদে খংদবা উদবা ।

কবি নহা

হৌজিক্কী অসৈবসিংগী
ফজরবা ৱারেং সৈরেং,
পাবদা ৱাখল চোইহল্লী
অতাবগী থম্মোই চিংসিল্লী ;
অখণ্ডবনা তিল সিৎনিংহল্লী,
হৈরে হৈরে কবি নহাসিং।
গনতন্ত্রগী নামাদ ইনরি
হাইনিংবা ঙাংনিংবা ইনিংবা, দেমক্রিয়ার
মচিন মনাও, অহল লমন ফম্মীনবা য়াদ্রে,
তাম্মীন্নবা য়াদ্রে পাম্মীন্নবা য়াদ্রে।
হৌজিক্কী অসৈব কবি নহাসিং,
চাওখৎপা য়োরমালে,
নুমিদাং অচিকপা কাগী ৱারীনী,
অরোনবা নহারোলগী য়াওংসংগী ৱারীনী ;
ঙসিদি মপান থোক্লে, মপান থোক্লে।
ঙসিগী কবি নহাসিং হৈরে হৈরে।
চাওখৎপা য়োরমালে,
মসিবু চাওখৎপনি হাইসিরা ?
মসিবু মাংলমদাইনি লৌসিরা
লৈরক খুদিং কবিগী ইসৈ,
কোন্থোং খুদিং অসৈবগী খোন্থাং ;
অহল লমন, মচিন্ মনাও নুপী কয়া
কবি নহাসিংগী ইসৈদা না মেনশিনরে মেনসিনরে।

“ ইতাও নুপী থিরক্নু ”

ইতাও নুপী থিরক্নু।
নুপী থিরগা ৱাই,
চংনিংবা চংপা ঙমদে।
কোইনিং কোইবা য়াদে,
চানিংবা চাবা ফংদে
ঙাংনিংবা ঙাংবা য়াদে
ঙাংলুরগা ঈমানা ৱারৌই,
ইকাইবা কয়া খংলকতে ;
ৱাখল ৱাই চিল্লি (চিনবনি)।
মতমচুপ্পা পোথাফম লৈতে (লৈতবনি),
পৈসাগী পৈসা দরকারনি।
মমা লাকই পৈসা,
মনাও লাক্কনি পৈসা
পৈসাগী দরকারনি পৈসা।
মমাম্বী লাক্কনি পৈসা ;
মপাম চংক্কনি পৈসা
মবুং লাক্কনি চা।
ইতাও নুপী থিরক্নু।
পৈসা পাইবা ঙমদবনি
পৈসা সাবা হৈরবদি,
থিয়ু নুপী থিয়ু;
নত্রবদি ইতাও নুপী থিরক্নু
ৱাবনি ৱাবনি, ৱাবনি ইতাও।

পুবীয়ু ঐবু নংগী নাক্ত

পুবীয়ু ঐবু নংগী নাক্ত !
থাংজগে অম্নাবা কম্না
নংগী নাক্তগী ঐবু লাপথোকহনবীগনু,
অম্না ইপাক লানবীয়ু নংনা
ফংহনবীয়ু ঐবু নংগী সেবা,
থাদোকপীয়ু ঐবু য়ায়বা কানদা
(পুবীয়ো) পুবীয়ুনে ঐবু কদাইদনো
নংনা চৎকখবা মকমতুদা,
তাকপীয়ু লম্বীদো ঐঙোন্দা
লমজীংবীয়ু ঐবু নংগী লম্বীদ ;
মম্নবা অহিংগী অচিকপা পুংকমদা
ঐবু নংগী সাম্নপোৎ ওইনা পুবীয়ু
পুবীয়ু ঐবু নংগী নাক্ত ।



ঐবু মীগ্না

ঐবু মীগ্না ?
ডম্মুই কান্নদে
শুরুই তোংজদে,
ইরুই চন্নদে
লিরুই লৌবীদে,
সকউই ভাবীদে
চংলুই মাংই ।
মীস্থ তৌই
ঐস্থ তৌই,
মীগীন করি;
করিদ খেংনন্নিবা ?
ঐগীদি পামবীদে ?
ঐসিবু মীগ্না ?
মীনা ঙম্বা
ঐনা ঙমদরে,
মীগ মীগগী
খেংনবদো করিনো ?

থিরুই ঐনা

থিরুই ঐনা
চংলুই খুঙ্গং খুদিং।
থিরুই নংবু কোইনা,
লিরুই নংগী খোঙ্গুল
নোংমা উখিবা নংবু
থিরুই ঐনা নংত্তবু।
তাখি নংগী খোঞ্জেল,
উখি নংগী মীনোক;
নিংসিংলি নংগী শকতম।
থিরুই নংত্তবু ঐনা,
চংলুই মফম কয়াদ,
কোইরুই মফম শনা;
ফংলকতে নংবু থিজবা
কদাইদনো ? কদাইদনো ? কদাইদনো ?

সহরগী অমাংসং

লাইবক কৈদ
সহরগী অমাংবা !
মীওইবনা ঙমনব্রব
মী চা কয়া কয়ান
ঙসি হিংলিবন কদাইদ —
সেগাইরবা খাংপোক চরুগী;
নংগীদি কদাই — মক্ত নত্তে;
চেক্সী ফজরবা য়ুম
নাল্লবা মীওইবগী খুৎশেমদ
নংনা নিংতম্না য়াওন্নরি
লাইবক কৈদ নংদি ।
নোংজু নোংগীদমক রাবীদে,
কালেনগী নুংশা কীবীদে,
পুম্নমক নংদি নীংঙাইদম;
চাবা ফংদবগী নুংঙাইতবা
লৈতে নঙোন্দ লৈতে,
নুরব তোত্তিগী ঈসিংন
নংগী খোৱাংববু কোকহল্লী
মংবু তৎতনা চাম্বীরী;
লাইবক কৈদ সহরগী অমাংসং ॥

" অসা "

করিসী হিংনৈ মীওইবা ?
অসা। অসা। অসা।
অসা য়াওদনা হিংওমুদে।
লোইথ্রবস্থ অমুক অমা,
হুয়েং, হাংচিং, মসেম্র ;
হিংনরি গুসি ফাওক্লা।
লোইবা নাইদে অস্না,
তেকপা নাইদে ময়োল ;
কংবা নাইদে লোকতাক,
মুংপা নাইদে মঙাল ;
সিংপা লেপতে মুংসিং,
চাবা লেপতে মীওইবা ;
হিংলিমখৈ অসা, অসা।
কংথ্রবদি অসা কংথ্রবদি
তাররোই অমুক উররোই।
লৈররোই অমুক হিংলরোই,
অসা। অসা। অসা।

" ঊব ঙংদ্রেদকো চেক্লাদো "

নোংমা পাইরকখিবদাই ঐগী ইমাংদা,
পুংজা 'মদা তোংলমবদাই ঐগী থম্মোইগী উসাদা ;
মীকুপ 'মদা খোংলম্বদাই ঐগী ইমাংদা মখৌ পোংনা
মমাংগী চহিদা পাইরকখিবদাই সাখপ তোইন
কদোমদা পাইখ্রে হৌজিক্তি চেক্লাদো ?
চেক্লাগী মাইথোংদি উখিদ্রে, খোংলম্বদো ঐগী ইমাংদ
চেক্লা খোঙ্গেল তাখিদ্রে, মীংকা-মীংকা চান্নদ্রে,
মালং ইপোম তুংইন্না হয়াউ মথোই কান্থনা,
কোইনা-কোইনা পাইরম্বা জগোই সাথেক তম্লম্ব ;
কনানা ফাগ্রে হৌজিক্তি চেক্লাদো ?
ফাজখিসন্নু চেক্লাদো, তমখিরবা সাদানবনা, তেনগী তেন্দোং তমহনা,
য়োকচখিসন্নু চেক্লাদো, থৌজান হৈত্রবা কনাগী পোল্লুংদা ;
পাইগনি ঐগী রাখল মীয়েংগী 'মাংদা,
তোংলখিনি অসুমক ঐগী মনাপুংলব থম্মোইগী উসাদা ;
ফাজখিসন্নু চেক্লাদো নুংশি হৈত্রবা কনানা,
পাইগনি পুক্সি চুপ্পা ঐগী অসাগী অতিয়াদ নীংতম্না ;
পাইজখিসন্নু অথাপ্পা লমদম তাননা,
কাওবা তম্লরোই ঐগী রাখল মুংলরোই কৈদৌন্নুংদা
অসুমক লৈগনি ঐগী থম্মোই লকান্নুংসিদা।

" নিসা "

হো নিসা হো নিসা !
কলিদকো নংসে কলি যুকতা ।
নংগী সক্তিনা ভারতা নিললে,
নংগী নগুননা নোংম কাংত্রে ;
লাওনরি, খৎনরি, চৈন্নরি, হাৎনরি
কলিদকো নংসে কলি যুকতা !
হো নিসা হো নিসা ।
নোংমা কাংদে ডাক্তরদা,
নোংমা লেপতে থানাদা ;
নিসা নংগী গুননা হাৎনরী
নিসা নংগী সক্তিনা খৎনরি,
কলিদকো নংসে কলি যুকতা ।
হো নিসা হো নিসা ।
নংগী ময়াইনা খৎনরি মচিন মনাও,
নংগী সক্তিনা চৈনরি মপা মচা ;
নংগী মতিকনা হাৎনরি মরূপ-মপাং
নংগী গুণনা লাওনরি অকনবা সক্তুনা লমজাওদা
হো নিসা হো নিসা !
কলিদকো নংসে কলি যুকতা

পাইরকউকো মুতি খুদিং

পাইরকউকো মুতি খুদিংদা।
অহাংবা অতিরা থকুদা,
পামজবা ইসাক তয়া
চাক্তমীনসি মুতি খুদিংদা ;
পাইমীনসিসো কাইদোথকয় তয়া,
ওাইনা ওাইনা হরোওনা
পুকচেল খোইজেল তিয়না।
চাক্তমীনসি মুতি খুদিংদা ;
পাইরকউকো মুতি খুদিংদা
পুন্সি রারী সামীনহুনা।
অরা মুংওাই খাজীনহুনা,
অরৈ নৈত চাথীনহুনা।
অরা পোংলুম পুমীনহুনা
চাক্তমীনসি মুতি খুদিংদা
পাইরকউকো মুতি খুদিংদা ;
পাইরকউকো মুতি খুদিংদা ।

হরি নোংনাং

হরি নোংনাংও চান্নরবী চেক্লা [illegible] হাইসি তাইওমদবী
পোম্বী কৌসি কৌডমদবী [illegible] হাইসি হাইওমদবী
নংগী [illegible] হাইরগা, চেক্লাগী [illegible] চনলমগে,
নগুণ থর সোনজগে, [illegible] নজগে।
য়াকাইরোল সকপি চেক্লাও; [illegible] নীংথিরবীও !
অয়ুক য়েন্দা অঙবদা; [illegible] চানবা
নিং-নিং লাউবা খোঞ্জেল; [illegible]না খোংলিবী।
মপুগী থৌগল তৌরবী, [illegible] শকহেনবী;
কোরৌ মঙান লাক্তিংদৈ; চেক্লা [illegible] মিকপ [illegible];
নংনা তোইনা খোংবদি, অচিং [illegible] কয়া থুগাইহনা
লাইর [illegible] খুন্দা [illegible] তুমখুল তাল্লিরা
খুনগী লৌমী সিন্নবু, য়াকাইরোল হাইনা তাকপরা ?
কোরৌ মমি সায়ক্লবা; [illegible] মতমদা ;
নংনা তোইনা খোংবদি; [illegible] থোগক্লা ?
নত্রগা [illegible] লৌমীশিংবু, ময়ুম মাইকৈ পাংবা
মতম য়ৌরে তাবা [illegible] খোংত্রা ?
নত্রগা থম্মোই সোকপা [illegible], তোইন-তোইনা খোংবদি ;
পাম্বু ফুংসি কাইনবগী তেংথা [illegible]না কয়ম্রা ?
পামেল মউ অচৌবা; নংনা কোন্থুনা তোংবদি,
[illegible] চাদে থন্দবরা ? হরি নোংনাংও চায়বী ;

৬নেম্ব পামেন থাদোক্ত্না, অৱাংঙৌউপলাদ তোংবনা ;
অৱাংবা পাম্বা মীওইনি, চেক্লা নংনা তাকপৱা ?
সোংলবা উনা মরুমদা, উপাল-ম্রাপাল কয়াদা ;
চেক্লা নংনা তোংবদি, সমাজগী মীনোক কিবনৱা ?
লোংপা য়ারোই চেক্লাও ! নংগী মুংসিবা খোঞ্জেল তাৱগা ;
নোক্ল চাওবা সমাজনা থিরক্লি নহাকপু তত্তনা
নোক্লগদবা নোক্লসন্থ, মতম লৈবা থিবীক্লা
মপুগী কোলোই শক্কনি, চেক্লা নংনা তাকপৱা ?
নীংঙাইবা লৈতনা চেক্লাও। নংনা ঈসৈ সকপদি,
অৱাব সংসার ওইৱবস্থ মুংঙাইনা লেলথোক্কনি উৎপৱা ?
অহাংবা অতিয়া মথক্তা চেক্লা সঙ্-সঙ্না ;
নীংতম্না পাইবদো, য়াওনিংদবৱা চেক্লাও।
লেংদবা উপালতগা লৈম্মীনবনা, পুম্লিগী অরুবা লম্বীদা,
লেংদবা মরুপ থমজনি, চেক্লা নংনা তাকপৱা ?
বসন্তগী মতমদা, চেক্লা কদাইদা লৈরুবগে
মুংঙাইরবা বসন্ত ঋতুবু চেক্লা নংদি তিম্নিংদবৱা ?
নিংথিরবা বসন্তগী মতমদা, কোকিলনগী খোঞ্জেলদি তাহল্লে ;
নংগী খোঞ্জেলতগা তারম্লবদি, হেনগৎলমগনি ঋতুরাজগী বসন্তগী গুণ ;
সজিবুগী মুংসিৎপু কিহুনা পীক্লবা হুকচাংনি থন্দুনা ·
অচিকপা মফম থিহুনা চেক্লা লোৎহুনা লৈবৱা।
নংনা খোংলম্লবদি সজিবুদা, নংগী মিৱবা খোঞ্জেলবু
তারম্লবদী সজিবুগী মুংসিৎনা, থাদোক্লমগদবনি মাগী অকনবা শহুম

ইশা থাগী থ্বাজিন্দা, চেক্লা নংনা লাকপদি ;
কুমগী নোংবু পুতুনা মাগী থৌগল লাকপব্রা ?
নংগী খোঙ্জেল তারগা উপাল রাপাল খিবীক্লা,
লৈনা জগোই সাগংলি মালংগী তাম্থা চানবা ;
হ'রিনা থারকপা মাগী থৌগল লাকপনি ;
চেক্লা কোলোই মিংলেন্দি হরিনোংনাং কৌবরা ?
নংগী ঈসৈ তাগদবনী থোরক্লি অয়ুক লাইরেনবীনা ;
অঙাংবা ফিজেংনা লৈতেংছুনা নোংপোক চীংথৈ পাংবদা,
নংগী তাংথক নাইদব খোম্থাংবু তত্তনা তাম্থা পীনবা ;
অমুনবা হৈ কয়ানা, তারক্লি তুপ-তুপ লৈমাইদা ;
লিরি হুম্বা মালংবনা নংগী খোঙ্জেল পুতুনা
সাবী সানৌসিংগী নাকোংদা অতংপা লৈতনা য়েরুবী ।
য়াচংলবা মতমদা সন্ধ্যা আতিগী খোঙ্জেলগা
নংগী নিং-নিং লাওবা খোঙ্জেলগ, তিন্নথ্রে পাক্লবা অত্তিয়াদা ;
হে হরি চান্নরবী ঐগী রাখল মংলান্দা,
উরি নংগী সকতমদো, তারি তত্তনা নংগী খোঙ্জেল,
চেন্নানা খোংদ্রবস্থু, তাগনি ঐগী নাকোংনা
নংগী অতংপা লৈতবা সুরদো, উগনি সকতম ইমাংদা,
চেক্লগা মরুপ ওইরগা ঐগী থম্মোই ইংজগে
চান্নবা মরুপ্পী খন্দুনা, হরিনোংনাং তত্তনা কৌজগে ।

" নিজরোই অতোপ্পা অমা "

নিজরোই অতোপ্পা অমা, থিজরোই অতোপ্পা অমা,
হাইজরোই অমুক অমা, মীহোজদে ইমাক খুনবা ;
পামজদে লাইরকস্থ, পীবীয়ুকো অচৌবা
থুংবীয়ুকো মচা, পামজেনে অফবা ;
পীবীয়ু ঐভোন্দা, থুংবীয়ু অফবা,
পামজেনে হিংবস্থ, থুংবীয়ু অরাবা
পীবীয়ু ঐভোন্দা, মীনা ওস্না থবক্তো।
খনজরোই অতোপ্পা অমা, য়েংজরোই অতোপ্পা অমা,
ওইহনবীয়ু ঐবু মী অমা, নিজরোই অতোপ্পা অমা
ফজবস্থ পামজদে, অথিবস্থ থুংবীয়ু,
নুংঙাইরস্থ পামজদে অরাবস্থ থুংবীয়ু।
ওইহনবীয়ু ঐবু মী অমা, ওইহনবীয়ু ঐবু মী অমা,
নিজরোই অতোপ্পা অমা, নিজরোই অতোপ্পা অমা।

" ইম্ফাল তুরেল "

অথাপ্পা উওমদ্রবা লোক্লুংগী, অচিকপা তাম্নবা চীংক্লুংগী,
অরা নুংঙাইগী পাওপুন্থনা, ইচেল কম্না ইম্ফাল তুরেলনা
খা মাইওন তমন্থনা, চেলক্লি থেক্লা খোইনা,
খুল্লক কয়াসু ক্ষাওন্থনা, য়েংলুদে কনাবু হন্না
সংলুদে রারী সাব, নোংজু ঋতু লাকপদা,
নংনা ইমাই চোনবদা, লাওনা খোংনা চেনবদি
নংগী অকনবা উৎপদি, য়েংথিদে নংবু কনানা
চীংনুংদগী পুরকপা, ইরোম্নুংগী লৈঙোই চোচ্রবী।
ঈসিংনা ইমাই পাবদা, পোৎলুম পুবা ঙমদনা,
অনকপা লৌবুক্তা থনমলি, ইমা মালেম লৈমসু,
খুদোন পোৎতু ফংবদা হরাউ মোমোন নোক্ললি
ইমাইগী মচা ফৌসিংনা, অনৌবা চিঞ্জাক ফংবদা
সনা, ফীগে সেৎলক্লি, মালংগী ইথক তুংইন্না
লৈন জগোই সারক্লি, লমগী উরিৎ কয়ানা
নংগী তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা, নুমিৎ খুদিং য়েংজরি
পুক্লিং নুংসি লাংতক্লনা, রাহং কয়া হংজরি
ইচেল খোইন চেন্দুনা, কদাই য়ৌনা চেলিবা
সাবী সানৌগী নুংসি রারী, করিগী ঙাইহাক তাভ্রিবা !
নুংঙাইনা চেংহি সম্বাল লাংলিবী, করিগী ঙাইহাক য়েংভ্রিবা।
খুঞ্জাগী লৌমী-সিনমীনা, তোর্ব্বান কয়া তৌখাইন্থনা,

নয়াং কংনবা শিল্লিবা, নংগী ঈ চুপ্পীবসে
মীগী মতেংনি খন্দুনা করিগী পাউথুম পীদ্রিবা।
ফরে। পাওথুম পীরমু, অহুবু পুন্সিগী মীকুপ খুদিংদা,
নংগী তোর্ব্বান্দ লেপ্তুনা, লুরবা লাইজ য়েংজগে
চাংজৌ মান্নরবা ইয়াইদা, লাইজ চেক্লা অমুবী,
উরা কৌবী ওকসাংবীনা, হরাউ মথোই কাহুনা,
নীংতম্না ইরূপ ইরোই তৌবদো, মীংপু পেন্না য়েংজগে
তোর্ব্বান্দা তত্তনা য়ৈরীবা ইথক্কী নিংথিরবা খোঞ্জেলনা,
তোর্ব্বান্দা হৌরিবা চরোত্তা, মালংবনা হুম্বদা থোক্লিবা.
হু-হু লাউবা খোঞ্জেলনা, মহুমদগী তুম্বা কাইরবা,
উরিংকী তপ্লবা ঈসৈগা, পুন্নমক অমতা পুন্সুনা,
মন্ত্রগী সুরগুম থোক্লিবা, নাকোংনা পেন্না তাজগে
মহুতদি পীনবীয়ুকো নহাক্না। মতমহুদা কোকচগে,
অরাবা রাখলসে ঐহাক্কী, নংবুদি কনানা খংবীদে
ইতিহাস নংবু থানদে, কবিনা নংবু সৈসকতে
পণ্ডিতনা নগুণ নৈনদে, নংগী মীংলেন নীংথবা,
সোইদনা মাংলনি লমথাংদা, কনানসু খংবীদনা অরেস্বদ
অহুবু! ইম্ফাল তুরেন-ও নীংথিবী, পূকচেল খোইজেল তপ্লবী,
নংগী নপালতা চারিবী, খুলগী লৌমী শিন্মীরক্লা,
ঐসু অমা ওইহুনা, নংগী থোজাল খজিক্তং
পুন্সি অসিদা ফংজগে, নংগী নগুণ সকচগে
মীপুম খুদিং তম্নমগে, ইম্ফাল তুরেল নিংথিবী-ও।

" পুক্লিং "

ওরাংতা অসংবা উপাল রাপাল বসন্তগী
ওসিন মনা কংলবা রাপাল উপাল হেমন্তগী
অসিরা সংসারগী চংনবী ? অসিরা তাইবংগী হৌনবী ?
অহোংবা নাইবা সংসার 'সিদা হোংবা মাইদবা পোত্তনা
তাইবংগী লৈতেং ওইরমলে।
ইকং থাগী মতমদা লৈত্রেক চত্তুনা লৈরম্বা
তাইবং মালেম থকসিদু নোংজু ঋতু লাকপদা
কুমগী নোংনা থিকপদা, মালেম লৈমাই চোৎকনি
অহোংবা নাইবা হকচাংদা অহোংবা নাইবা পুক্লিংনা
অহোংব নাইবা রাখল খল্লম্লি, লাইরবগী অরাব ফংবদা ;
মপাল নাইরবা ললবু কল্লকলুই, হকচাংনা অনাবা লোইরবদা ;
ললবু অরেম্বনি খল্লুরি, পুক্লিংগী অরেপ্পা লৈতবনা
নুংসিনরবা সাবী সানোসিংগী, ওরাংতা থোংনা ভাংলম্বা,
ওসিদি থম্মোই কাইরবা রাহৈনা, মখোইতগী ওইরবী,
কাইনবগী অহিংদো থানিনসু ওইসনু
অতিয়া মকোইসু সেংসনু, মমগনি থাসিগী অহিংদগীসু হেন্না,
নুংসি পন্থ্ুংনবগী অহিংদো থাসিগুম মমসনু,
থানিলগী অহিংদগী হেনগনি নুংঙাইবগী থাবলনা ওানগনি।
সংসারসিসু গোংসনু, জীবসিংসু মাংখিসনু
পুক্লিংনা লেপ্পা নিংগ্রবদা, ফংগনি মুক্তি,
থুংগনি অনিংবা, অহোংবা নাইবা সংসারসিদা।

ঙুংসিবা

পাকচাউরবা মরুভুমিগী ময়ায়দ,
ময়া-মরীচিকান তৌ 'গুম কনাগুম্বগী 'মাংদ
মিঁহৌহল্লী কনাগুম্ববু মরাল লৈত্রবা মহাক্লা।
চাকথেকহল্লী থম্মোইবু কনাগী ঙুংসি মৈচাক্ল
মাংহল্লী কনাগুম্ববু ফহল্লী কনাবু নহাক ;
কাহল্লী ময়াই কনাগুম্ববু য়েংথিনহল্লী অমগা অমগা নহাক্লা
সেন্নম্বরা নহাকপু মপুন তৌহনগে হায়ভুনা "লাল" অমগা অমগা
খাংবা ঙমলোই পাঙ্গল কনবা কনানা,
চাকথেকনি মহৈ-হৈবা কনাগী থম্মোইস্থ মুৎপা মাইত্রব ঙুংসি মৈচাক্লা
মিত্তগী পোকলকপরা, থম্মোইদগী থোরকপরা, রাখলদগী লাকপরা,
হায়নৈ কনাগুম্বনা মীত্তগীনি পোক্লকপন,
সোনৈ কনান থম্মোইদগীনি, থোরকপন
ঙাংনৈ, অমনা রাখলদগীনি লাকপন,
কৌই "অসেংবা প্রেম্মী" থম্মোইদগী থোরকপন,
হায়নৈ "কল্পকপ" মিৎতগী পোক্লকপনা,
লৌনৈ "অপাম্বা" রাখন্দগী হৌরকপনা ;
মিত্তগী থোক্লকপনা "প্রলয়ন" মাং তাকহল্লী কনাগুম্ববু
থম্মোইদগী পোক্লকপনা 'লৈনহল্লী ঙুংসি মরী অব্রবা' অমগা অমগা,
রাখন্দগী ওইরকপা ঙুংসিবনস্থ মাংহল্লী মীওইববু,
অত্তুক তমথীরবা ঙুংসিববু করিগী সেন্নমী ঈম্বরনা,

কম্লক-য়েংথিনহনগে হায়হুনা সেম্লমালে মহাক্না :
নান্তু সেম্লমই মগাক্ থমগে হায়হুনা অসেংবা প্রেমগী ঈচেল তত্রবা,
অহৃ্বু ! ওইহল্লে ঈসিংগা-থাওগ তিন্নবা, ফত্রবা মচাশিংনা !
অহৃ্বু ! কল্লি পাঙ্গল অসেংবা নুংসিবগী, থদংপা ওমদে অকনবা কনানা
লৈনরবদি "অসেংবা প্রনয়ন" কনাগুম্বা সাবী সানৌগী মরক্তা,
লোংনববস্তু কনা কনাগুম্বনা থদংকে হায়হুনা নুংসি থৌরী ;
ওইহনদে নরিস্ত আতাপ্পা থরাই মাংহনবা নত্তনা,
কৌদে মহুবু নুংসি ঈচেল লেপখিবা, সিংহল্লি নুংসিবগী লমনদি সিবনা,
লৈনরবদি থম্মোইদগী হৌরকপা অসেংবা প্রেম,
চাওখৎপা ওমই সংসারদা অরা অনা থোক্তে, তাইবংদা,
পোক্লবস্তু কৌদে অরা-অনা মতেং পাংনৈ অমগা অমগা
নুংসিবনা মকোকচাওহল্লী কনাগুম্বগী, পিকহল্লী কনাগী ;
মহাক্ অমহল্লী "সিব" ফাওবা থরাই কনাগী ;
থাত্তনা মসাগী ওইজবা 'পুষ্প নুওাইবা সরুক সংসারগী,
সিবা ডর্মলবা মহাক অহু নুংশিবগীদমক্তা থম্মোইনা,
থাগৎনিঙাইনি মহাক্তো, কৌই মহাক্তো অসেংবা প্রেমিক প্রেমিকা
খংউ ; সাবী-সানৌসা ! ফত্রবা লাইনানি, "নুংসিবা" হায়বসে,
থংলোই, অহুবু কনানা নুংসিবগী লৌবুক্তা কুম্মুদ্রিব।
চংঙুরবদি সোইদনা অমুক্তং, হন্দোকনিংগনি মপান্দ
তারুরবদি অমুক্ত নুংসিগী ঈপাক্তা, ইরাক্রুরবদি মপান নাইদ্রব ঈন্নুংদা,
কাখৎনিংলকনি ব্রহ্মাচারী ওইহুনা কংফান্দা,
থুদোংথিবনি চংলুরবদি য়োৎপীগী "সৌ"বু থাকপনি

মুঙাইতবনি, থবক চিনবনি মুংসিরুরবদি রাখন্দ
সাগৈ জাৎ থাইদবনি ইনাক খুনব লাইরবা নাইদবনি
খোংবান্দি নমথি হানৈন থল্লবা, মান্নবনি লুরবা সমদ্রুগা
খোংতেক-মিত্তাং নাইদবনি, খোংবাল লুক্লাং থাইদবনি,
অসেংবা প্রনয়গী মফমদদা
য়োইবু য়োহেন তাল্লিবা, সাবী-সানৌ অপুম্বগা,
চৎলুগন্নু কনাগুম্বনা মুংসিগী ঈপাক্তা হিবু হোনগে হায়ত্নুনা
মুংসি সমদ্রু ঈপাকসে মপান নাইদ্রব লাইজসে,
তোইনা কাবনি জ্বার, থেংনরবদি নোং-মুংশিৎ কয়া খুদোং থিরবা
অহুবু হিংবা ঙমদে কনানা মুংসিগী ঈচেল ;
অমদি কনাগুম্বন মুংসিনরুরবসু ওইবা ঙমই ব্রহ্মাচারী পুন্সি চুপ্পা,
ওইসি ঐখোয় 'পুম্বা অমুক্তং ব্রহ্মাচারী পুন্সি চুপ্পগী ,
য়েংসি ঐখোয় 'পুম্বা অমুক্তং অনৌবা মীওইব সমাজ,
য়েংসি কোকপা ঙম্বরা হায়ত্নুনা কল্লক য়েংথিবা মীওইবা সমাজগ।
খোঞ্জেল অমত্ত ওইনা লাউসি ঐখোয় 'পুম্বা,
সকসি রাসক অচেৎপা লাউখৎসি খোঞ্জেল রাংনা
জয় ব্রহ্মাচারী জয় ব্রহ্মাচারীনীগী জয়
লিংখৎসি অনৌবা মীওই সমাজ
খোংগৎসি মোইবুং অরাংবা খোঞ্জেল
জয় ব্রহ্মাচারী জয় ব্রহ্মাচারীনী জয়

মহৈ য়ালহনসি।

" অমম্বা "

থেংলবা অহিংগী অমম্বদা, কনা হন্না উদ্রবদা,
অরাবা সক্লোন লৌদনা, কনাবু হন্না য়েংদনা
মাং তুং য়েংদনা, ওসি হয়েং খন্দনা ;
অরেপ্পা নাইদনা চৎলিবা, কিদব থৌনা উৎলিবা,
অরেপ্পা মওং নাইদবা, কনানো নহাকপু অৌবা ?
লমলক্কী সাসিংগী তমথিরবা, খোঞ্জেল কয়াগী অকিবা
রাখল চংদে নঙোন্দা, মন্দির মুংদগী থোরকপা ;
বাঁসিগী খোঞ্জেল মুংসিবা, পোম্বী চেক্লাগী মীকপ ঈসৈ ;
হারৌগী নিংথিবা সৈসক, অহিংগী অচিকপা থুগাইরিবা,
খুদিংমক তানিংদে নহাক্না, ওাল্লি তগুপ তরেং থরামিচারা,
ওইরি লৈতেং অতিয়াগী নিংথিরবা
পুন্নমক কল্লকউদে নংনা, নংগী মরুপনি অমাবসানা,
নংগী নপাংনি নোংথি-নোংমংবনা ;
লৈরিঙৈ থাজ মানা, মঙাল সল্লিঙৈ তাইবং মালেমদা
নংগী নপাঙ্গল মাংহিদো, নতীক নঙান হল্লেদো ;
উগম রারুমদা লোৎতুনা, য়ুমলকতবু চংতুনা,
চংজফমবু থিজৈদো, নতীক নঙণ হাপচৈদো ;
নংবুতবু ঙাইবদা, অয়ুক মুংথিলগী মতমদা
মকু কৌবা চেক্লানা মিৎলুদ পিরাং সিন্থনা
তেংথারি রাপল উপল্লক্তা, নংবু লাক্কনি খনবদা,

হুমিদাংবাইগী মতমদা কাউরেল সম্বী যনাওনা,
সল্লুপ-সল্লুপ পন্দুনা, ময়ুম মাইকৈ পাংলক্লি ;
অমনা-অমবু ডাইনদ্রি। নংগী নথৌনা নরিংজেন
থেংল থেংনা থৌরকই, নংগী তপ্লম্বা নবুকচেল,
কয়াদা তমথিরকলিবা, তাংলো লৈসিক্লগা
সংসার 'পুম্বা য়োৎসিল্লি, নংগী তমথিরবা খয়াত্তা ;
অনৌবা ফীজংনা থক্তা কুপ অচিকপনা খাংদা য়েৎ,
কয়ামা লোনা চংলক্লি, অঙানববু নমহৎলরি ;
তাইবং খুদিং লোই চল্লি, পুন্নমক লোইনা; মমহললি
নংগী কল্লবা সক্তিনা।
অহুবু লৌসিং সিংলবা কয়াগী, জ্ঞানগী থাউতনা ঙাল্লম্বা,
ময়েক সেংলবা থম্মোইসিং, নংনা, মমহলবা ওম্মোইদো ;
নংগী অকিবা সকতম্না, মখোইতবু কিহনবা ওম্মোইদো,
নংতনা কল্লবোই নিংলুহু, নংতনা ওম্মী খল্লুহু
নোংদোনথক্কী থাজনা, নংবু কিতুকচনা
নোংচুপ চীং মরুমদা লোৎখিবগুম কৌরো মানা খোংদোই হুল্লকপা
তাইবং মঙান য়েনবদা নখা লেপ্পা ওম্মোইদো
মফম খংদ, চেনখিদ্রী নগী অওম্বা কনাবু
নংনা তুহৎপা উবদা, নংবু ওম্বা কনানা,
নংবু তুহৎপ মতমদা, নসানা নসা খঙজনি"
তাইবং মপুগী খুৎসেম্মী।

লোইরবা।

অইবগী থুংইদ লৈজরিবা

ড্রামাদা :—

১। পোকমীজদবা ২। নুপী লোনবা ৩। বসন্ত রানী

৪। মেক নুংশিনবা ৫। কায়নবা ৬। শকথণ্ডনবা

৭। থওইদবগী পীরাং ৮। ইতৈমা থিবা ৯। মৌ হল্লকপী

১০। মৌ অনৌবী ১১। চীং-তম ১২। এম, এল, এ

উপন্যাস :— ১। নংনা ঐবু মাংহল্লগরা

২। ফোংদোকতবা নুংসিবা

৩। অমুক্তা উম্নসি

রাজী মচা চবুল :— ১। বদনাম ২। রাথোক

সৈখ্রেং চবুল :— ১। নাফ্রোম ২। লৈকোল

৩। থম্মোই ইহৌ।